এফ আই ঐচ হোক্কী ৫ এস ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ

নেদরলেন্দসনা ৱিন্নর অদুগা ইন্দিয়ানা রন্নর্স অপ তাহৌরে

মস্কেট, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): ওমাননা যূম্বু ওইদুনা হৌজিক পাঙথোক্লিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ৫ এস ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নেদরলেন্দসনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱর্ল্ড কপ অসিগী মপূ ওইবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়ানা রন্নর্স অপ তাদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইনিদয়াগী জ্যোটি ছত্রিনা ২০ শুবা মিনটতা অদুগা রুতুজা দাদাসো পিসালনা ২৩শুবা মিনটতা ইনিদয়াগী পাঞ্জলশিং অদু চনখিবনি। অদুগা নেদরলেন্দসকী ওইনা ২ অমসুং ১৪ শুবা মিনটতা জেনিক ভান দেনা পাঞ্জল অনী, ৪ অমসুং ৮ শুবা মিনটতা ভেন্টে ভান দেরনা পাঞ্জল অনী, ১১ অমসুং ২৭শুবা মিনটতা লানা কার্লসেনা অনী অদুগা ১৩শুবা মিনটতা সোসা বেনিঙানা অমা চনখিবনি।

টিম অনীগী মরক্তা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী ওইনা ইনিদয়াগী গোলকীপর রজনী ইটিমর্পুনা মহাক্কী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উখোক্তুনা নেদরলেন্দসকী শোটশিং ঙাকথোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু নেদরলেন্দসকী শান্নরোয়শিংনা কাহেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, এফ আই ঐচ প্রো লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোক্কী টিমগী স্কৱাদ লিষ্ট লাউথোকখ্রে।

টিম অসিদা য়াওরিবশিংদি গোলকীপরদা সবিতা পুনিয়া (কেপ্টেন), বিচু খারিবম; দিফেন্দরশিং ওইনা গুর্জিৎ কোর, নিক্কি প্রধান, উদিতা, ইশিকা চৌধরি, মোনিকা, জ্যোটি ছত্রি; মিদফিল্ডরশিংদা নিশা ৱৈস্নভি বিথল ফালকে, নেহা, নবনিট কোর, সলিমা টেটে, সোনিকা, জ্যোটি, বলজিৎ কোর, সুনেরিতা টোপো; ফোরৱার্দশিং ওইনা মুমতাজ খান, ব্যুটি দুংদুং, লালরেমসিয়ামি, সঙ্কিতা কুমারী, দিপিকা, বন্দনা কটারিয়া (ভাইস কেপ্টেন) অমসুং সর্মিলা দেবীনি।

চহী ১২গী মতুংদা অহানবা ওইনা ইষ্ট বেঙ্গলনা ট্রোফি লৌদুনা এ এফ সী কপকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে

ভুবনেশ্বর, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়ম মেনপিটচতা ঙসি কলিঙ্গ সুপর কপ ২০২৪গী ওইনা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সী অমসুং ওরিষ্যা এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সীনা ওরিষ্যা এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা চহী ১২গী মতুংদা ইষ্ট বেঙ্গলনা অহানবা ট্রোফি লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা এ এফ সী কপকীদমক ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা কপ অসিগী মপূ ওইদবা য়াদে হায়দুনা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উখোক্তুনা শান্নখি। মেটচ অদুগী ৩৯ শুবা মিনটতা ওরিষ্যা এফ সীগী দিএগো মোরিসিও মচাদো দে ব্রিটোনা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সীগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ওরিষ্যা এফ সীনা চনখিবা পাঞ্জল অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওরিষ্যা এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সীনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেটচ অদুগী ৫১ অমসুং ৬২ শুবা মিনটতা টিম অদুগী নন্দকুমার অমসুং সাউল ক্রেজপো প্রিএটোনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। ওরিষ্যা এফ সীনা ইক্বেলাইজর ওইগদবা পাঞ্জল অদু চন্নবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনরবসু অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদে। অদুমওইনমক অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইম শান্নখিবা অদুগী ওইনা ৯৭ শুবা মিনটতা ওরিষ্যা এফ সীগী অহমদ জাহোনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তানা ইঞ্জুরি টাইম শান্নখিবা অদুগী ১১০ শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী ক্লৈটোন অগষ্টোনা মখোয়গী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী প্লেয়র ওফ দি মেটচনা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সীগী সাউল ক্রেজপো প্রিএটোনা তাখি।

খেলো ইন্দিয়াদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা কাঙবম অভিনাশ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না শীন্দুনা হন্দক্তা টামিল নাদুদা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ূঠ গেমস ২০২৩-২৪দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা ফেন্সর কাঙবম অভিনাশনা গোল্ড অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙম্লকখিবা অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

য়ূঠ ব্রাইটর ক্লব লংদুমনা শীন্দুনা ঙসি ক্লব অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুমারনা থৌরম মপূ ওইখি। মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রবা শান্নরোয় কাঙবম অভিনাশ মমাং চহীদা গোৱাদা পাঙথোকখিবা ৩৭লক শুবা নেসনল গেমসতসু ফেন্সিং মশান্নগী ওইনা টিম ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়নি। টামিল নাদুদা পাঙথোকখিবা ৬লক শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ূঠ গেমস অদুদা অভিনাশনা গোল্ড মেদল লৌবা অহানবা মণিপুর মচাসু ওইরি।

অমরোমদা, ঙসি তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা য়ূঠ ব্রাইটর ক্লবকী প্রসিদেন্ট কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, শান্নরোয় অসিনা ইন্দিভিজ্যুএলদা গোল্ড অদুগা টিমদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অসিগীদমক্তা চাওথোকচৈ। মখা তানা কন্না হোৎনদুনা অমুক্কা হেন্না মায় পাকপা শান্নরোয় ওইনবা হোৎনগদবনি হায়খি। লোয়ননা ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা শান্নরোয় অসিনা মখা তানা শান্নদুনা ইরমদম মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়নসু য়াইফ থৌজাল পীখি।

১৭শুবা নিংথৌখোংজম তোম্বী ষ্টেট ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): লম্ফেলপাৎতা লৈবা পোনি ব্রীদিং ফার্মদা ঙসিদগী হৌরগা মণিপুর ইক্বেষ্টরিয়ন এসোসিএসননা শীন্দুনা ১৭লক শুবা নিংথৌখোংজম তোম্বী ষ্টেট ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ হৌদোকখ্রে।

ইক্বেষ্টরিয়ন ক্লব ১৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসি মথং থাগী ২ ফাওবা চৎথগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শোল জম্পিং, টেন্ট পেগ্গিং, লেন্স এন্দ শোর্টকী মথক্তা অরাম্বাইসু য়াওহল্লগনি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিরেক্টর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সর্ভিসেস মণিপুর ডা. এন জি ইবোতোম্বীনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর পোনি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ প্রিয়োরঞ্জননা থৌরম মপু অদুগা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রাচন্দ্র অমদি মণিপুর ইক্বেষ্টরিয়ন এসোসিএসনগী ভাইস চেয়রমেন এন তোম্বীরাজনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ডা. এন জি ইবোতোম্বীনা হায়, মণিপুরগী পোনিশিং অসি অতোপ্পা লমদা ফংদবা য়াম্না হৈ-শিংবা শগোল মখল অমনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শগোল মখল অসিবু য়োকখৎনবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলি। ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু লোকল ক্লবশিংনা পোনিবু য়োকখৎনবা হোৎনরিবা অসিদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়খি।

থৌরম মপূ প্রোফেসর সী ঐচ প্রিয়োরঞ্জননা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা মণিপুর পোনিশিং য়োখৎনবা হোৎনরিবশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

জেনিক সিন্নরনা দানিল মেদভেদেভ মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ২০২৪গী ওইনা মেন্স সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা জেনিক সিন্নরনা দানিল মেদভেদেভপু মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখ্রে। অমরোমদা, ৱিমেন্স দবলসকী ওইনা হিসি সু ৱৈ অমসুং এলিস মর্টেন্সকী পুংবানা লুদিমলা কিচেনোভ অমসুং জেলেনা ওষ্টাপেনকোগী পুংবা মায়থীবা পীরম্লগা টাইটল লৌখ্রে।

মেন্স সিঙ্গলসকী ওইনা জে সিন্নর অমসুং দি মেদভেদেভকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা অনীশুবা সেটতি মেদভেদেভনা লায়না কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নরমখি। অদুমওইনমক লেমহৌরিবা সেট ৩দা জে সিন্নরনা মহাক্কী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উখোক্তুনা মেটচ অদু থোইখিবনি। জেনিক সিন্নরনা মেটচ অদু ৩-৬, ৩-৬, ৬-৪, ৬-৪, ৬-৩দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, ৱিমেন্স দবলসকী ওইনা বেলজিয়মগী এলিস মর্টেন্স অমসুং টাইৱান ভেটরান হিসি সু ৱৈগী পুংবানা য়ুক্রেনগী লুদিমলা কিচেনোভ অমসুং লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোগী পুংবাবু মায়থীবা পীরম্লগা ৱিমেন্স দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মর্টেন্স অমসুং সু ৱৈগী পুংবানা এল কিচেনোভ অমসুং জে ওষ্টাপেনকোগী পুংবাবু স্ট্রেট সেট ৬-১, ৭-৫দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মশাগী চহী ৩৮ রোম শুরবী টাইৱান ভেটরান হিসি সু ৱৈনা গ্রান্দস্লাম দবলসকী টাইটল লৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী চহী য়াম্বী অনীশুবী নুপী শান্নরোয় ওইরে।

লা লিগা : রিয়াল বেটিস অমসুং জুরোনা মায় পাকখ্রে

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): স্পেনদা হৌজিক চথরিবা লা লিগাগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা রিয়াল বেটিসনা মালোর্কা অদুগা জুরোনানা সেল্টা ভিগো থোইখ্রে।

মাদ্রিদকী ষ্টাদি মেটলোরিয়াদা রিয়াল বেটিস অমসুং মালোর্কাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা রিয়াল বেটিসনা মালোর্কাবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি। রিয়াল বাটিসকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৪৬ শুবা মিনটতা সর্গি অল্টিমিরানা চনখিবনি।

অমরোমদা, বলাইদোস ষ্টেদিয়মদা জুরোনা অমসুং সেল্টা ভিগোগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা জুরোনানা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখিবনি। জুরোনাগী পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ২০ শুবা মিনটতা পোর্টুনা চনখিবনি। লা লিগাগী ওইনা হৌজিক-হৌজিক জুরোনানা মেটচ ২২ শান্নখিবগী মনুংদা মেটচ ১৭ মায় পাক্লগা পূন্না পোইন্ট ৫৫ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংনা লৈরি।

সেরি এ : মোঞ্জা অমসুং জেনোৱা মায় পাকখ্রে মিলান অমসুং বোলোগনা দ্রো চৎখ্রে

রোম, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): ইটলিদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা সেরি এগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা জেনোৱানা লেসি, মোঞ্জানা সাসুওলো মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা মিলান অমসুং বোলোগনা দ্রো চৎখ্রে।

রোমগী লুইগী ফরারেজ ষ্টেদিয়মদা জেনোৱা অমসুং লেসিগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা বোল পায়বগী চাং লেসিনা চাদা ৫২ অদুগা জেনোৱানা চাদা ৪৮ ওইখি। বোল হেন্না পায়বগী খূদোংচাবা লৌরগা লেসিনা ৩১ শুবা মিনটতা জেনোৱাগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী নিকোলা ক্রাষ্টোভিকনা চনখিবনি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লেসিনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদা জেনোৱানা মেটচ অদু মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী মতাগুম মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উখোক্তুনা শান্নখি। লোয়ননা মেটচ অদুগী ৭০ অমসুং ৭৬ শুবা মিনটতা টিম অদুগী মেটিও রাটিগুই অমসুং কালেভ ইকুবাননা থংনথংননা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। লেসিগী মায়কৈদগী মেটচ লোইবা ফাওবা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী জেনোৱানা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, ষ্টাদিও ব্রাইন্টিওদা মোঞ্জা অমসুং সাসুওলোগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মোঞ্জানা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা মোঞ্জানা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬২ অদুগা সাসুওলোনা বোল পায়বগী চাংনা চাদা ৩৮ ওইখি। মোঞ্জানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌদুনা মেটচ অদুগী ৩১ শুবা মিনটতা এন্দ্রি কোলপানিনা পাঞ্জল অমা চনখি। মেটচ লোইবা ফাওবা সাসুওলোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অদু মোঞ্জানা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, রোমদা লৈবা সান্সিরো ষ্টেদিয়মদা মিলান অমসুং বোলোগনাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

এ এফ সী এসিয়ন কপ : ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দোনেসিয়া থোইখ্রে

কটার, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী): কটারনা যূম্বু ওইদুনা হৌজিক চথরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপকী ওইনা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা লাকচনা ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

কটারগী জাসিম বিন হামদ ষ্টেদিয়মদা লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ১২ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়ানা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা থিংনবা হোৎনবদা ইন্দোনেসিয়াগী এলকান্ত বেগোটনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিনখি। মদুগী মতুং ৪৫ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মার্টিন বোইলনা পাঞ্জল অমা চনখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুগী ওইনসু ওষ্ট্রেলিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ৮৯ অমসুং ৯১ শুবা মিনটতা ক্রেগগুদৱিন অমসু হেরিনা পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখিবনি।

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

মতম্না অমুক হল্লক্করোই

(৪০৯)

হৌখ্রবা মতম অমুক হল্লক্করোই, চঙলুবা লম্বী থোক্লকপা লুই, হৈখিবা শিনফম কাউফদে, ফাখিবা ঈশৈ ঙংনিংই। মসি মহৌশানি মপূনা পীবীরকপা শীন্থাদি মীওইবনা হেক-হেক কাউথোক্লগা ফত্তবা থবক্কীদি ওজা লৈতে মীনা ফৎত্রদি হীদাক লৈতে, লানগী তোংজবা অসি করিনো? থৱায় ৱাহনবা ফাওবদা পাপ ওইরিবনি। হাৎপগীদি করি ওইরম্নি। শিখ্রবশিংদো অমুক হল্লক্করোই খল্লুবদা নুংঙাইতবা ফাওবা মীসু য়াওরমগনি, হরাউবসু য়াওরমগনি, মখল-মথেলনি। মীওইবনা হিংলিঙৈ অফবা খরা তৌরম্লগা মিংচৎ তান্নরি অদুগা খরনা মী হাৎপগী মশীং য়াম্বা তান্নরি। মপূগী চৈরাক ফংবা মী ইয়াও য়াওদ্রিমাল্লে, ইকি কিনদ্রে নখোয়না লান তৌবগীরা অঙাং-অহল কয়াবুসু য়ৈখায় থিনগায়বা পীদুনা পূন্সি তেনখিবা য়াওখ্রবনি। লান তৌরুরবনিনা তোকপা ইকাইরিরা খঙদ্রে, নোংমা ঐগী ওইবদো নোংমা মীগী ওইরক্কনি কাউগনু। ঐখোয়বু শেম্বীবা মপূনা পীরকপা চৈরাক্তি নোংমৈনসু বোম্নসু কনবা ঙল্লোই, এফ বিদা, মীদিয়াদা হেরো শাবা কাঙবুশিং নোংম-নোংমগী মশীং হেল্লক্লি। মসি অফবগী খূদম নত্তে, মীদিয়ানা ৱারোইশিন পুরক্লোই। অহোয়নদুম ঈরাং পাক চাওরক্কনি। পূক্নিং ফাথবা খরা তম্মু। কুকিশিংনা মীতৈ হুনবা, মীতৈনা অমুক খুম্বা, অকাম্পেৎ ঙাংবা মদুগী তোংজবনা করিনো? ইরৈচাশিং অঙাওবগা সুম মান্নরদি ঐসু অঙাওবনি ওইদোইসে। হৌখ্রবা মতমদো অমুক লাক্লরোই। শিঙমদনা শিখিবশিং অমুক হল্লক্লরোই, মীকপ-মীরাওখোলতনা নিল্লবা নরমদমসে মচেৎ তানা কায়খিগদৌবদগী কন্নীংলদি মীনুংশি, ঙাকপীবা, খন্থবা মথৌ তাই। ইমা লৈবাক নুংশিবী হায়রগা গুন্তীরনা চারমদাই পি তাবদো মাল্লক্লে। লাননা পীবা কান্নবদগী অমাঙবনা হেল্লি। থোক্লক্লো কুকি জো লুচিংবা মীতৈগীসু কৌথোরক্লগে য়াশিন্নবা ঙমগদ্রা, য়াশিন্নবীরো নখোয়দং ৱাদেকো, ৱাবদি পূল্লপ্না ৱামিন্নরিবনি কাউগনু। নখোয়গীদা খনগনু, অপূনবগী খনবীয়ু, ঙমসু ঙল্লোইদবদা অরেম্বদা থৱায়শিংদো পাম্মুদ্রো ইবুংঙো। কুকিশা নখোয়বু হল্লোনে খরা ৱাখল তারোনে, শেংনা অদুম হায়রো নখোয় লোইনা রিফ্যুজী নত্তে, খঙই মীতোপ মীয়ান পুশিল্লিবদো তাম্থোকখ্রো নখোয়দা শেংনা লৈনবা হোৎনৌ, ইরৈবাকসে লুম্লবনি মীয়ান পুবদা।

অদোমগী - সনারৈ য়ুমখাইবম,
খুরাই খোমিদোক ইপুম মপাল, # ৯৬১৫৩৯৩১০২

মীয়ামগী খোল্লাউ তাবীদ্রবা লৈঙাক

(৪১০)

কংলৈপাক মণিপুর ফূরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদম অমনি। কম্যুনিটি ময়াম অসিগী মরক্তা তম্পাক্কী মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসিনা মেজোর কম্যুনিটি ওইনা ফূরুপ ৩৫ অসিগী মনুংদা লৈরিবনি। অদুবু মেগী তাং ৩ কুমজা ২০২৩ অসিদগী কুকি লমহেন তুহেনবা খরনা তোঙানবা লৈপাক ঙাক্লোন পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লিবা অসি থা ৯ ফাজিল্লক্কে মসিনা মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসি অরেং-অরেং পুখরকপা অসিনা ঙসিদি ঙকশম য়ৌগদৌরে। মসিদা মীয়াম্না খোল্লাউ কয়া লৈঙাক্তা লাউরিবা অসিসু ষ্টেট অমসুং সেন্টর লৈঙাক অনীমক্না তামল্লক্তবদগী হৌজিক হায়গদবা লাউগদবা মীওই কয়াদি চোকথরে। পাউচেগী খূখাংদা কয়া অমনা অশোয়বা কয়া ইনখ্রে, লান লোইশিনবা য়াবা কয়াৎ কয়াসু য়াৎতুনা পোরম কয়াসু পীনখ্রে। অদুবু ইস্যু অসি লোইশিনবীগদ্রা হায়রগা কুইর-কুইরগা মীশি-মীনা থোকপা অসুম-অসুম হেঞ্জিল্লকই। মসিদা পি এম মোদিনা মাগী মথৌ নত্তবগুম তাশিন্নদনা লৈরি। ষ্টেট লৈঙাকসু সেন্টরগী য়াথংনা খূৎ থাবা ঙমদনা লৈরি। খ্বাইদগী অঙকপা ওইরিবা বিভুলা চুরিবদি লান অসিদা ষ্টেট লৈঙাক অমসুং সেন্টর লৈঙাক্না হৌজিক লমদম অসিগী ইস্যু অসিদা লৌরিবা থৌদাং করিনো খনবদা মন্ত্রী। ইস্যু অসি হেঞ্জিল্লকপা খূদিং তম্পাক্কী মীওইশিং খোইরাং খোইশাওনবা অসুম-অসুম হেল্লকপা, মসিনা অকি-তুজুংবা ফাওবগা লোয়ননা পূক্নিংগী পেন্দবা কয়া হেক্তা ফোঙদোক্লরকই। মরম অসিনা তাবীগদবা মীনা তাবীদ্রবসু নিংথৌগী মনা ফক্লাংদা থেৎলি হায়নৈ অদুনা লৈপাক অসিগী নিংথৌগী নাকোং য়ৌনবা পেন্দবা কয়া ফোঙদোকচরি। থা ৯ ফাজিল্লক্কদৌরবা কুকিনা অরেপ্পা লৈতনা মী হাৎলিবা অসিদা য়েংদুনা লৈরিবা অসি কয়াম কুইনা য়েংখিগে হায়রিবনো? মীহাৎ খূদিং লেম্না থারোই হায়বা হাৎপদি লেপ্তুবা অসি গাড়ীনা তক্তা তকসনু ঐ তৌগে হায়বা অসি অশিবতনা মাঙই। অদুনা মীহাৎপা লেম্না থাদবা কয়া অসিনা করিবু তৌখ্রবগে অমদি করি তৌগদৌরি? করিগী সী এমদগী য়ুনিফাইদ কম্মান্দ লৌথোকপনো? মসি লৌথোকপদা ষ্টেট কেবিনেটনা য়ারিবনা করিগীনো? কুলদিপ সিংহনা কুকিনা মী ২/৩ হাৎ, অসুম্না হাৎলকপা অসিদা মানা য়েংদুনা লৈরিবা অসিনা মরম করিগী? মসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈবা অসি কন্সটিট্যুসন খোঙ্গাওনবা নৎত্রবদি কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা হাৎহনবা ওইরিব্রা? লোঙাক্লবা, কন্সটিট্যুসন কন্নবা লৈবা লৈঙাক, কন্সটিট্যুসন কায়না লৈপাক ঙাকপদা য়াওরিবা এম এল এ ১০না মণিপুর লৈঙাক্কী অমদি সেন্টর লৈঙাক্কী মায়োক্তা তোঙানবা লৈঙাক তাল্লগা অদুসু কন্সটিট্যুসনগী থোঙদা নত্তবা ভাইয়লেন্স তৌদুনা মীওই কয়া হাৎপা, য়ূম কয়া মৈ থাবা অসি মোদিনা য়েংদুনা লৈবা অসিনদি মোদিসু কন্সটিট্যুসন থুগায়বদা মপূং ফানা য়াওই হায়বসি ময়েক য়াম্না শেংলে। মরম অসি লৈবনা ঐখোয় তুম্না হাৎত্রিঙৈদা ঐখোয় মণিপুর অসি ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসিদগী তোঙানবা ওইনা কুমজা ১৯৪৯গী মমাংদা লৈরম্বা লমদম অদু ওইনা লৈজরগে হায়বনা ফরে। অদু নৎত্রবদি ঐখোয় তুম্না শিবা তারে। মসি নৎত্রগনা ঐখোয় অপূন্বা কুকিগী মফমদা কোক নোন্দুনা চঙজবা তাবনি। পূম্নমকসি তৌদ্রগা সেন্টরগী ফোর্স লৌথোকপীরো ঐখোয় মীতৈগী মীয়ামগা কুকিগা অরোইবা লম্বা তৌনদুনা কনানা ঙম্বা খঙদোক্লরগে। মসিতংদি য়াবীরো হায়বা ৱাফম থমজরি।

অদোমগী - এম থম্বৌ,
ককচীং খুনৌ হিজম, # ৮১১৯৯৯৯০৪০